# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় অমসুং লালহৌবা অনি ফাগৎলে, পোপ্পি পাম্বী য়ান্থুৎপগী থবকসু মখা চথুরি।

২) ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবুনা হায়রি- জি.পি. ৱিমেন্স কলেজ অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী মণিপুরদা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমরম্বগী খুদমনি।

অমসুং

৩) ভারত অমসুং ফ্রান্স অসি- স্পেসিয়েল গ্লোবেল ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ ওইরে হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা ঙাইরাংবম তানৌখুল লম্বী এরিয়াদগী ঙরাং দবল বেরেল নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল অমা, তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু ১৮১, মেগজিন অহুম, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, দিতোনেতর অমা অমসুং বাউফেস ৱায়ারলেস হেন্দসেট অমা ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখা তানা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায়শিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। অককবা পাউশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা ঙরাং

ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইঙংপোকপী বজারদগী মশানা মশাবু পি.এল.এগী লেফটনেন্টনি হায়জবা মীওই অমা ফারে। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওন্নব্ংদগী ঙরাং আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী নিউ কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেহজাং-খোইরিপোক্তা লম একর ২২ রোম চাউবা মফমদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ান্থৎত্‌না মাংহনখ্রে হায়রি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম পুলিসকী স্পেসিয়েল মোবাইল পেত্রোল যুনিত অমসুং সি.আর.পি.এফকী ১৫৬ শুবা বত্তাল্লিয়নগী কিউ.আর.টি টিমগী অপুনবা কাংবু অমনা থা অসিগী ১৬ তা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী লৈঙাংপোকপী খুলগী মপাদা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা টাটা অমদগী উশিং ফাগৎলে। ফাগৎলবা উশিং অমসুং গাড়ি অদুগী দ্রাইভর অমদি মপু অদু ঙরাং জিরিবামগী ফোরেষ্ট রেঞ্জ ওফিসারদা মখা তাবা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎনবা শিন্নখ্রে হায়রি।

লম্বী (এল)ঃ মতম শাংনা শেম্বীদনা লৈরক্লবা ময়াই লম্বী হায়রগসু খঙনবা নেসনেল হাইৱে ১৩৭ (এ)বু শেম্বীবা হৌরকপদা, ময়াই যুম্ফম খুমন কংলৈ অপুনবা ঈতিনফমনা মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিনা হায়- লম্বী অসি মতমগা চুনবা মওংদা নিংথিনা শেম্বা হৌরকপা অসিনা লম্বী পরিং অসিগী নাক য়েৎতা খুন্দারিবা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা মতম শাংনা অৱাবা কয়া মায়োকরম্বা অদু কোকপা ঙম্লগনি। মসিগীদমক মুখ্য মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোংদোকচরি হায়রি।

কিসন (এল)ঃ ডাঃ কিসন, তোকেন অমসুং রাজেন লৈখিদবগী ১৭ শুবা নীংশিং নুমিৎ থৌরম ঙরাং ইম্ফালগী উরিপোক্তা লৈবা মপারি নীংশিং কোল

লুপ (মনিল)গী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা কাংলুপ কয়াগী মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদুগী ফোতোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা মনিলগী সেক্রেতরি কাপুর য়ুমলেম্বমনা হায়- মখোয় অহুমনা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌমিন্নদুনা তুংগী অচংবা খুনাই অমগী ৱাখল্লোনদা থৱায়না পোন্থা পীখিবা নুমিৎ অদুবু নিংশিংবগী থৌরম চহি খুদিংগী পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

জিপি (এল)ঃ জি.পি. ৱিমেন্স কলেজ ইম্ফাল লিংখৎখিবা চহি ৬১ মপুং ফারকপগী মপোক ক্মওন থৌরম ঙরাং কলেজ অসিগী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবুনা হায়- নুপী খক্তনা তম্বা জি.পি. ৱিমেন্স কলেজনা রাজ্য অসিগী মহৈ মশিং তম্বগী লমদা চাউরবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। কলেজ অসিদা মহৈ তমখিবা মীওই কয়া তোঙান তোঙানবা শিনফমশিংদা মশক থোকা থবক তৌবা কয়া য়াওখ্রে। জি.পি. ৱিমেন্স কলেজ অসি য়ামা ঙল্লিবঁগে মতমদগী হৌনা মণিপুরদা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক তোঙানবা কলেজ অমা থম্বীরম্বগী ময়েক লারবা খুদমনি হায়নসু ভাইস চান্সেল্লরনা মখা তানা ফোংদোকখি।

আরএসএস (এল)ঃ রাষ্ট্রিয়া সোয়ম সেবক সঙ্ঘ (আর.এস.এস)কী সাহ-সরকারিয়াৱাহা অরুনকুমারনা হায়- ঈশ্বরনা ঐখোয়বু তোঙান তোঙানবা মওংদা শেম্বীরম্বা অসি খেন্নবনি হায়না লৌরোইদবনি। লৈ অমসুং উনাশিংনা পান্বী অমখক্তা পুন্না লৈমিন্নবগী ঐখোয় পুমমক অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন খক কাউফদে। ইম্ফালগী সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি অমসুং অৱাং নোংপোক ভারতকী নহারোলশিংগা ভারচুয়েল ওইনা ঙরাং পাঙথোকখিবা ৱারী শান্নবগী থৌরমদা শ্রী অরুনকুমারনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

পিএমঃ ভারত অমসুং ফ্রান্স অসি স্পেসিয়েল গ্লোবেল ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ ওইরে হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখ্রে।

মুম্বাইগী লোক ভাবনদা ঙরাং ফ্রান্সকী রাস্ত্রপতি-এমান্যুয়েল মেক্রোনগা লৈবাক অনিগী ওইবা ৰাফম কয়াগী মতাংদা ৰারী শান্নরবা মতুংদা লুচিংবা অনিনা পুন্না থোকপা ৰারোল অমদা শ্রী মোদিনা ৰাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মালেমগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মালেমদা তংদু লৈতাবা অমদি চাওখৎপা পুরকবগী ৰাখল্লোনদা ফ্রান্সকা পুন্না থবক তৌমিন্নবসু য়ান্নরে। ফ্রান্স অসি ভারতকী খ্বাইদগী লীরবা মরুপ মপাং ওইবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়নসু শ্রী মোদিনা শিংথাখি।

রাজনাথ ঃ ভারত অমসুং ফ্রান্সকী ৬ শুবা এন্যুএল দিফেন্স দাইলোগকী মীফম ঙরাং বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখ্রে। ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ অমসুং ফ্রান্সকী ঙাকশেল মন্ত্রি কেথ্রিন ভাউত্রিননা পুন্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা লাক্কদৌরিবা চহি তরাদা ঙাকশেলগী পোত্থোকশিং পুথোকপদা অমগা অমগা মখা তানা তেংবাংননবা য়ান্নচে অমসু সহি তৌনখি। য়ান্নচে অদু ভারতকী মাইকৈদা ভারত ইলেক্ট্রোনিক্স বেল অমসুং ফ্রান্সকী মাইকৈদা সফ্রান ইলেক্ট্রোনিক্সনা সহি তৌনখি। য়ান্নচে অদুদা হামর এয়ার টু গ্রাউন্দ মিসাইল ভারত্তা শাননবগী ৰাফমসু য়াওরি।

জহাজ ঃ কেদেটশিং ট্রেনিং তৌনবা লৈবাক অসিনা শাজবা জহাজ অহুমগী মনুংদা অহানবা অমা ঙরাং চেন্নাইগী কাতুপালিদা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনেরেল অনিল চৌহান্না লৌঞ্চ তৌখ্রে। কৃষ্ণ হায়না মীংথোনবা জহাজ অদু এল এন্দ টি সিপয়ার্দনা ভারত নেভিদা খুৎশিন্নবা শাবনি। কৃষ্ণ তুরেলবু ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা জহাজ অসিগী মমিং কৃষ্ণ হায়না থোনবনি হায়রি। জহাজ অসিদা ওফিসার ২০, সেল্লর ১৫০ অমসুং কেদেট ২০০ চনগনি। জহাজ অসিনা নেভেল কেদেটশিংদা ট্রেনিং পীবগী থবক তৌগনি।

গারো ঃ গারো হিলস ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখল এপ্রিল ১০ দা পাঙথোক্লগনি। শিল্লোংদা ঙরাং পাঙথোকখিৰা মেঘালয়গী মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মীখল অসিগী নোতিফিকেসন মথং থাগী ৯ দা থোক্কনি। মার্চ ১৬ কী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা মীরেপচেশিং পীশিল্লগা নুমিৎতুমক্কী নুংথিল পুং ৩ গী মতুংদা মীরেপচেশিং স্ক্রুতিনি তৌগনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা মতমনা মার্চ ১৭ ফাওবনি। মীরেপশিংদা পীবা সিম্বোলশিংগী লিষ্ট মার্চ ১৮ দা ফোংগনি। মীখল অসিগী ভোৎ মশিং এপ্রিল ১৪ দা থীগনি হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্ভ একজামগী অহৌবা নুমিৎতা একজাম সেন্তরদা চরাংনবা থোকখিবা, মুখ্য মন্ত্রি খেমচান্দনা দি.জি-সপনে টু পোইন্ট জিরো হৌদোকখিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদা মহৈরোই লিশিং ৩১,৫৩০ না শরুক য়াদুনা কোসেমনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্ভকী একজাম হৌখ্রে। ৱাংগোই হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা অহেনবা মতম হাপ্পীয়ু য়াদবগী ৱাহৌদা ইরাং থোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক শঙাই এক্সেপ্রেস মণিপুর ইদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চীফ মিনিষ্টর খেমাচন্দনা দি.জি-সপনে টু পোইন্ট জিরো হৌদোকখ্রে। ষ্টার্টঅপশিং মপুং ফানা শৌগৎতুনা নহাশিং থবক ফংহন্নবা হোৎনরি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন অমসুং সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মণিপুর মেলদনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চীফ মিনিষ্টরনা হাইৱেদা কাংপোকপী ফাওনা চৎলগা সেনাপতিদা কেবিনেট মীফম ফমগদৌরি। কেবিনেট এক্সপানসন তৌরবা মতুংদা পোর্টফোলিও য়েন্থোক্কনি হায়না দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম অমসুং নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা কংগ্রেসকী ফমশিংগী চাদা ৫০ দি এস.সি, এস.টি, ও.বি.সি, মাইনোরিতি অমদি নুপীশিংদা পীগনি হায়না এ.আই.সি.সিগী ওবজার্ভর রুদ্র রাজ্‌না ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকিশিংনা মৈতৈ অমসুং নাগাশিংদা এটেক চথরিবা অমসুং নাগাগী লমশিংদা জরমন রোড, টাইগর রোড হায়না মীং থোনজিল্লক্লিবা অসি মখোয়গী ওইবা তোঙানবা হোমলেন্দ তানবগী খোঙথাংনি হায়না এন.এস.সি.এন(আই.এম)না মরাল শিরকখিবগী পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চীংগী লমদসু ষ্টার্টঅপু প্রোগ্রাম য়ৌশিন্দুনা চাওখৎপা মণিপুর ওইহনশি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুমনাম খেমচান্দনা দি.জি-সপনে টু পোইন্ট জিরো হৌদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা জেলিয়াংরোং কাংলুপনা শিন্দুনা মণিপুর, নাগালেন্দ অমসুং অসামদা ৩৩ শুবা রাণি গাইদিনলিউ লৈখিদবগী চহি কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------